# বেঙ্গলুরু এফ সিনা ওজোন এফ সিবু মায়থিবা পীখ্রে, ওড়িষা এফ সি অমদি বাইচুং এফ এস দ্রো চৎখ্রে



বেঙ্গলুরু, জনুৱারি ০১ (এজেন্সি)ঃ

হিরো ইলাইট লীগকী মনুং চনা ঙসি বেঙ্গলুরু ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা বেঙ্গলুরু ফুটবোল ক্লবনা সিটি অসিগী রাইভেল ওইরিবা ওজোন এফ সি বেঙ্গলুরুবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা বেঙ্গলুরু এফ সিনা লীগ অসিদা অহুমলকশুবা ওইনা মায় পাকপগা লোয়ননা পোইন্ট ৯ ফঙদুনা চেন্নাই–বেঙ্গলুরু গ্রুপকী খ্বাইদগী নক্নবা লম্বা ওজোন এফ সিদগী পোইন্ট ৩ হেন্দুনা গ্রুপ টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা বেঙ্গলুরু এফ সিনা গোল একাউন্ট হাঙনবগী খুদোংচাবা ফঙখি অদুবু অকাসদিবশিংগী গোল এটেম অদু ওজোন এফ সিগী দিফেন্দর দানুসনা ব্লোক তৌখি। মসিগী মতুংদা বেঙ্গলুরু এফ সিগী লাল থাঙলিয়ানা বোক্স মনুংদা পেনাল্টি ফঙনবা হোৎনখ্রবসু মেটচ কন্দক তৌখিবা সেন্টর রেফরি অলৱিন হেন্নরিনা ওজোনগী মায়কৈদা ইন দাইরেক ফ্রি কিক ওইনা পীখি।

বেঙ্গলুরু এফ সিকী সবষ্টিট্যুটতগী চঙলকখিবা শিকহিল অমসুং ফ্রেদিনা নীংথিনা পুশিনলক্নুনা অকাসদিবনা চেলকপা মায়কৈদা বোক্স মনুং তম্না খ্বাইরকখিবা বোল অদু অকাসদিবনা থেংথবা তৌদনা ওজোন এফ সিগী গোল কিপ্পরবু তূংওইনরমদুনা নেটগী অহাঙবা মনুংদা চঙহনখিদুনা মেটচ অসিগী মায় পাকপগী গোল অদু চনখি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ ওইনা ওড়িশাগী জৱাহরলা নেহরু ট্রেন্নিং পিটচ–২ দা শান্নখিবা মেটচতা ওড়িশা ফুটবোল ক্লব অমদি বাইচুং ভুটিয়া ফুটবোল স্কুল গোল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

য়ুম্বু ওড়িশা ফুটবোল ক্লবকী গোল অদু রিসবাব দোব্রিয়ালনা অহানবা হাল্ফকী অহাপ্পা মিনিট ১ দা চনখি অদুগা বাইচুং ভুটিয়া ফুটবোল স্কুলগী গোল অদুনা ওরৈথেম রাইনামনা মিনিট ৬৫ তা চনখি। মেটচ অসিদা ওড়িশা ফুটবোল ক্লবকী সন্দিব থপাদা মেটচকী মিনিট ৮৫ অমসুং ৮৮ দা দবল কোসন বুক তৌবদগী মেটচকী মপালদা থোকখি।

ঙরাং কো–ওপরেস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতনা কেনক্রে এফ সি অমদি ইন্দিয়ান রস সোক্কর ক্লব গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি ওফ রজাষ্টান স্পোর্টস কম্পলেক্সতা মেক্সিমস প্রাইম স্পোর্টস অমদি সুদেবা ফুটবোল ক্লবনা শান্নখিবা মেটচতা সুদেবা ফুটবোল ক্লবনা মেক্সিমস প্রাইম স্পোর্টসবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সুদেবা ফুটবোল ক্লবগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৮ মোহমদ সোহিলনা মিনিট ৯, জর্সি নম্বর ২২ হিমানসু রাইনা মিনিট ১৩ অমসুং জর্সি নম্বর ৯ বিশাল গুরুংনা মিনিট ৯০ দা চনখি। মায়থিরবা মেক্সিমস প্রাইম স্পোর্টসগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৬ রনা তরুকদানা চনখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ফুটবোল ক্লব ওফ মুম্বাইকাসনা ওস্কার এস এস এবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ফুটবোল ক্লব ওফ মুম্বাইকাসকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ স্মিটনা মিনিট ৭, ৪৮ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ১০ কুমার রাথোদনা মিনিট ৫৫ , ৬০ দা গোল ২ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ সৌরবনা মিনিট ১২ তা চনখি। মায়থিরবা ওস্কারগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৭ কারননা মিনিট ৩৬তা চনখি।

এস এস এন ফুটবোল গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতনা চেন্নাইয়িন ফুটবোল ক্লবনা ভোকা জুনিয়র ফুটবোল স্কুলবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা চেন্নাইয়িন ফুটবোল ক্লবগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ২১ বনারজানা মিনিট ১৭, ৪৭ দা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল ১ অদুনা জর্সি নম্বর ১০ প্রসানাকুমারনা মিনিট ৮৯ দা চনখি।

ওল সেন্ট গ্রাউন্দ বিৱান্দিদা শান্নখিবা হিরো ইলাইট লীগকী অতোপ্পা মেটচ অমদা ইন্দিয়ান ফুটবোল একাদেমিনা থানে এফ এস আইবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইন্দিয়ান ফুটবোল একাদেমিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ থৌনাওজম রধাকান্তনা মিনিট ৮ অমসুং জর্সি নম্বর ২১ লেটমিনলিয়াননা মিনিট ৪৯ চৎপদা চনখি।

# ব্রাইতন এন্দ হোফ অলবিয়োননা গোল হন্দোক্লগা চেলসিগা দ্রো চৎখ্রে, এষ্টোন ভিল্লা মায় পাকখ্রে



লন্দন, জনুৱারি ০১ (এজেন্সি)ঃ

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী মনুং চন্না ঙসি য়ুমজকৈশা নুমিৎতা অমেরিকান এক্সপ্রেস কম্মুনীটি ষ্টেদিয়মদা ব্রাইতন এন্দ হোফ অলবিয়োনগী হোম ওইনা চেলসিগা শান্নখিবা মেটচতা এজ পিলিক্কেটানা চেলসিগী অহানবা হাল্ফতা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখ্রবসু য়ুম্বুগী এলিরিজা জকান বাসনা মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাইদা গোল হন্দোক্লগা দ্রো চৎখ্রে।

ব্রাইতননা ঙসিগী মেটচ অসি দ্রো চৎখিবা অসিনা চেলসিগা শান্নখিবা মেটচশিংদা টিম অসিনা পোইন্ট ফঙবা ঙম্বা অহানবা ওইরি।

য়ুম্বুগী কলম্বীয়া মিডফিল্ডর ষ্টিফেন অলজেনা মিনিট ৫ চৎপদা গোল মাঙজিল থান্নবগী তাঞ্জা ফঙখি অদুবু মহাক্কী এটেম অদু মপা চুমখিদে। ভিজিটর চেলসিনা মেটচ অসি লেমহৌরিবা হাল্ফ অসিগী মিনিটশিংদা য়ুম্বু ব্রাইতনবু খুদুম চন্দুনা শান্নবা হৌরকখি।

রিশিজেমসনা য়ুম্বু ব্রাইতনগী অশোনবা য়েৎ থংবা ৱিংলোমদগী ৱার্নিং পীদুনা কয়ারক হন্না এটেক চখদুনা খুদোংথিনিঙাই ওইবা মশিং থীঙমদনা ক্রোশিং কয়া তৌখি। মতম অদুদা চেলসিগী জৌমানা মহাক্কী ক্রোশিং অমদা হেদ্দিং তৌশিনখিবা অদু ভিজিটরগী এরোনমোইনা ব্লোক তৌখিবনা থক্তোরকখি। লোয়ননা থক্তোরকখিবা বোল অদু ভিজিটর টিম চেলসিগী স্পেনিস শান্নরোই চেশার এজ পিলিক্কেটনা মিনিট ১০ চৎপদা গোল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

ভিজিটর চেলসিনা হনবা লৈত্তনা চখখিবা এটেক্লা মিনিট ২৭ চৎপদা অনীশুবা গোল মাঙজিল থারমগদবা অদু তোন্নি এব্রাহিম মথনদনা বোল পূশিনদুনা গোলগী অনকপা মফমদগী কাওশিনখিবা অদু য়ুম্বুগী অদাম ৱেবটরনা ব্লোক তৌখি।

ভিজিটর টিমনা য়ুম্বুবু অদুমক খুদুম চন্দুনা শান্নখিবনা ভিজিটরনা মোঙ হদনা মখোয়গী টিমগী চপ চাবা প্রাফোমেন্স উৎতুনা য়ুম্বুগী য়ান্নবা ভাবোকশিংবু চরাংন্নবা পোকহনখি।

য়ুম্বুনা অহানবা হাল্ফকী মিনিট লোয়রমদাই ২ ৱাৎলিঁডৈদা নেলমাওপেনা নীংথিনা শেমলকখিবা খুদোংচাবা অমদা লেন্দ্রো ত্রোসাটকী ওইথংবা মখোঙনা কাওশিনখিবা বোল অদু চেলসিগী গোল কিপ্পর কিপা অরিজবালগাগী য়েৎ থংবা মখূৎনা মশা চোঙথোক্তুনা সেফ তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফ য়ুম্বু ব্রাইতননা শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোক্নবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা লৈরকখ্রবা মতুংদা হোৎনজম ফঙবা ওইনা মিনিট ৮৪ চৎপদা এল দঙ্কনা বোক্স তম্না খায়রকপা বোলদা সবষ্টিট্যুটদগী চঙলকখিবা অলিরিজা জহানবাক্সনা মিত্রং গুম্লবা বাইসাইকল–কিক্না শোত্থরিবা গোল হন্দোকখিবা মতম অদুদা অমেরিকান এক্সপ্রেস কম্মুনীটি ষ্টেদিয়মদা তিনখিবা য়ুম্বুগী য়ান্নবা মীয়াম্না হরাওবগী খোঞ্জেলনা নীনখি।

অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবদা নাকল অনীনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী মেটচ অসি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

লীগ অসিগী মনুং চন্না তর্ফ মুরদা বর্লিগী হোম মেটচ ওইনা এষ্টোন ভিল্লাগা শান্নখিবা মেটচতা ভিজিটর এষ্টোন ভিল্লানা য়ুম্বু বর্লিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী মিনিট ২৭ চৎপদা ভিজিটর এষ্টোন ভিল্লাগী ব্রজিল্লিয়ান ফোথৱাঁদ ৱেসলিনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মিনিট ৪১ চৎপদা লুৱিসনা য়েৎ থংবা ৱিংদগী খায়রকপা বোলদা গ্রিলিকী য়েৎ থংবা মখোঙনা নেটকী ওইথংবা তোপ কোন্নরদা কাওশিনখিদুনা বর্লিগী গোল কিপ্পর পোপপু তুংওইন্নরমদুনা মেটচকী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

বর্লিনা মিনিট ৮০ দা গোল হন্দোকখ্রবসু মতম থেংমনখিবনা এষ্টোন ভিল্লাবু মায় পাকপগী লম্বী থিংবা ঙমখিদে।

## ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৯–২০গী হৌজিক লৈন্নরিবা পোইন্ট টেবলগী শক্তম

Standings

| Pos | Club | M | Won | Drawn | Lost | GF | GA | GD | Points |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Goa | 10 | 6 | 3 | 1 | 22 | 12 | 10 | 21 |
| 2 | ATK FC | 10 | 5 | 3 | 2 | 19 | 9 | 10 | 18 |
| 3 | Bengaluru FC | 10 | 4 | 4 | 2 | 11 | 6 | 5 | 16 |
| 4 | Mumbai City FC | 10 | 4 | 4 | 2 | 17 | 17 | 0 | 16 |
| 5 | Jamshedpur FC | 10 | 3 | 4 | 3 | 13 | 13 | 0 | 13 |
| 6 | Odisha FC | 10 | 3 | 3 | 4 | 13 | 15 | -2 | 12 |
| 7 | NorthEast United FC | 9 | 2 | 5 | 2 | 9 | 12 | -3 | 11 |
| 8 | Chennaiyin FC | 9 | 2 | 3 | 4 | 11 | 16 | -5 | 9 |
| 9 | Kerala Blasters FC | 10 | 1 | 5 | 4 | 10 | 14 | -4 | 8 |
| 10 | Hyderabad FC | 10 | 1 | 2 | 7 | 10 | 21 | -11 | 5 |

# পোর্টুগলগী ক্লব বেনফিকনা জর্ম্মন ইন্টরনেস্নেল জুলিয়ানগা খূৎয়েক পীনখ্রে



বর্লিন, জনুৱারি ০১ (এজেন্সি)ঃ

বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ অমসুং জর্ম্মনিগী মিডফিল্ডর জুলিয়ান ৱাইগল পোর্টুগিস চেম্পিয়ন বেনফিকগা জনুৱারি ট্রান্সফর ৱিন্দোদা ক্লব অসিগা খূৎয়েক পীন্নরগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বর্দসলিগাগী ক্লব বোরুসিয়া দোর্টমুন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

জর্ম্মন ক্লব অসিগী ডাইরেক্টরনা ট্রান্সফর অসিগী মতাংদা হায়, জুলিয়ানন বেনফিকানা মঙোন্দা ট্রান্সফর তৌবগী রিক্বেস অসি হায়রকপা মতমদা ঐখোয়গী ক্লবনা অয়াবা পীখি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী ট্রান্সফর ফি অসি চাওরাক্না ২০ মিলিয়ন য়ুরোস ওইগনি হায়না থাজন্নরি। হান্না দিফেন্সিপ মিডফিল্ড শান্নরম্বদগী সেন্টর বেক্তা শান্নরিবা চহী ২৪তা ঙাইরিবা জর্ম্মন ইন্টরনেস্নেল অসি ১৮৬০ মুনিককী টিমদগী দোর্টমুন্দকীদমক ইং ২০১৫ দগী শান্নরকখিবনি।

নহা ওইরিবা শান্নরোই অসি থোমাস টুচেলগী মখাদা ফার্ষ্ট টিম রিগুলর ওইনা শান্নদুনা জর্ম্মনগীদমক ইং ২০১৬ অমসুং ২০১৭ দা মঙারক শান্নখ্রে।

জুলিয়ান ৱিগলনা বেনফিকাগীদমক খূৎয়েক পীনখিবা অসিনা পোর্টুগলদা শান্নবা জর্ম্মন মচা হান্স বক অমসুং রোবার্ট এন কেগী মতুংদা মহাক্না অহুমশুবা শান্নরোই ওইরি। মহাক্কী অনৌবা ক্লব ওইগদৌরিবা বেনফিকা প্রিমৈরা লীগাদা টেবলগী মরিশুবা মফমদা লৈরি।

# দেম্পো স্পোর্টিং ক্লব মায় পাকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০১ (এজেন্সি)ঃ

হিরো সব–জুনিয়র লীগ ২০১৯–২০গী মনুং চন্না ইলাগ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবনা এফ সি গৌৱাবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা দেম্পো স্পোর্টস ক্লবগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ খৃষ্টিয়ানো ফুরটাদোনা মিনিট ৮, জর্সি নম্বর ১৫ জয়রাজনা মিনিয ১৯ অমসুং জর্সি নম্বর ১১ দালৱিননা মিনিট ৩৫ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা এফ সি গৌৱাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ২৪ দিপকনা মিনিট ২৬ তা চনখি।

কলিয়াননি ম্যুনিসিপাল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদনা বরানগার স্পোর্টিং ক্লবনা য়ুনাইটেদ স্পোর্টস ক্লবপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা বরানাগর স্পোর্টিং ক্লবকী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ মালিকনা মিনিট ১৫ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ সন্ধিপ দেবনাথনা মিনিট ৬০ চৎপদা চনখি।

# অহানবা ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে, বি এস এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ০১ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সাইনিং ষ্টার দিভলমেন্ট এসোসিয়েসন বেঙ্গুননা শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ১১ না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়াদোক্তুনা বেঙ্গুন মখা ভোল্লিবোল গ্রাউন্দা অহানবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–বিগী বি এস এ বেঙ্গুন অমদি ৱাই এস সি কে খেলাখোংনা শান্নখিবা মেটচতা বি এস এনা ৱাই এস সি কেবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা বি এস এ বেঙ্গুননা ২৯–২৭, ২৬–২৪, ১৭–২৫, ২৫–১৭ স্কোর তৌখি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা এম আই কে ঐচ ৱাই এ অমদি এল সি এলগা শান্নগনি। অনীশুবা গ্রাউন্দা এ এম দব্লিউ ৱাই অমদি কে ৱাই এল এস সিগা, অহুমশুবা গ্রাউন্দনা ৱাই পি এ অমদি ৱাই এস সি কে, মরিশুবা গ্রাউন্দা এম আই কে ঐচ ৱাই এ অমদি এস ৱাই দি সিগা শান্নগনি অদুগা মঙাশুবা গ্রাউন্দনা এ এম দব্লিউ ৱাই অমদি এল ই দব্লিউ এগা শান্নগনি।









Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com